# মণিপুরী ফিল্মগী মায়কৈ অমদি খোঙথাং - ৫

– *নানি*



মণিপুরী ফিল্মনা খুন্নাইদা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা নৈনদবা য়াদবা অরুবা ৱাফম খরা লৈরি। ফিল্ম হায়বসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্ননা য়েংবা অমদি মীয়ামগী পূক্লিং ৱাখলদা মতম কুইনা তুংদুনা লৈবা আর্ট ফোর্ম অমা ওইবনা করিগুম্বা মতমদা অশোয়বা নৎত্রগা লান্না লৌখিবা য়াবা অমা হেক য়াওরুবদা খুদোংথিনিংঙাই ওই। ফিল্মদা উৎলিবা খূদিংমকশিং অসি নৌনা য়েংলিবশিংনা মতৌ তম্নিংবা পোকই। ফিল্মদা শীজিন্নবা ৱাহৈ ৱাতা অমদি থৌওংশিং অসি মতৌ তম্নদুনা মীরোল কয়ানা লাকই। অদুনদি ঐখোয়না ফিল্ম অমা শেন্বদা য়াম্না চেকশিন্দবা য়াদে।

মথক্তসু পঞ্চখ্রে, ফিল্ম হায়বা অসি য়াম্না মতিক-ময়াই চেনবা মীদিয়াগী মরুওইবা শরুক অমা ওইবা অকনবা আর্ট ফোর্ম অমনি হায়না। ফিল্মনা খুন্নাই অমদি মীয়াম্বু মায়কৈ মায়কৈদা হোইদুনা পুবা ঙম্মী। মীয়ামগী পূক্লিংবু ইরায় লায়না মথক-মখা ওলহল্লি। ৱাখলবুসু শংনিংবা মচু শংহনবা ঙম্মী। অচুম্বা অফবা হায়বা পরিং অসোমদগী খজিক লৈথোক্লবদা শাথিবা মায়কৈরোমদা চৎহনখিবা ঙম্বগী ৱাখল-মীৎয়েং পোকহনবা ঙম্বা মীহুন অমা হুলহনবা ফিল্মনা ঙম্মী।

ফিল্ম হায়বা অসি কম্পোজিট আর্ট ফোর্ম অমনি হায়বা অসিমদি তশেংনা চুম্লে। তোঙান-তোঙানবা আর্টকী মচাক কয়ানা য়োমশিনদুনা মপুং ফানা মচাক ময়াম অমা তাল্লগা ক্রিএটিভ প্রোসেস অমদা নুং য়ৌনা চঙশিল্লগা টেক্নিকেল দিভাইসশিংগা লোয়ননা পুথোকপদা মীয়াম্না পাম্নবা ফিল্ম আর্ট অমা হায়বদু ওইরিবনি। ফিল্ম অমা শেন্বদা ইচম-চম্বা ৱারী অমা লীরগা ফিল্ম অমা হেক্তা ওইবা য়াদে। লীরিবা ৱারী অদু শাগৎপদা নাক-য়েৎতা লৈরিবা খুন্নাই অমদি নাৎ শক্তমগী মচলশিং মচু তানা নৈনরগা পুথোক্তবা য়াদে। ফিল্ম আর্ট হায়বসি টেক্নিকেল খক্তগী ওইবা প্রদক্সন অমা নত্তবনা নীংথিনা মায়কৈ শুনা য়েংবা চঙই।

মালেমগী ওইনা য়েংবদা ইন্টরটেনমেন্টকী শরুক অসি মখল কয়াদা খ্বাইদগী য়াঙনা খুম্মাং চাউশিল্লক্লিবা অমনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি মীয়ামগী পূক্লিংবু ঙাইহাক্তং ওইরবসু পোত্থাহনবা অসিনি। ইন্টরটেনমেন্ট হায়বা অসি শুপ্নতগী নুংঙাইবা, মীকুপ-পুংজা খরগী ওইবা পোত্থাবা অদুখক্তা নত্তে। পুন্সিগী শিন্থা মরক্তা পূক্লিং ৱাখলবু তেকখৎহনবগা লোয়ননা অনৌবা ৱাখল লৌশিং পোকহনবা, অনৌবা পাউ ফংহনবা হায়বা অসিসু মরুওইনা ফিল্ম ইন্টরটেনমেন্টতা য়াওরি। ইন্টরটেনমেন্ট হায়বা অসিদা য়াওরিবসি ইনফোর্মেসন, কম্যুনিকেসন অমদি ইন্টরটেনমেন্ট হায়বা অসিনা মপুং ওইরগা কলচরেল এস্থেটিকা লোয়ননা টেক্নিকেলগী হৈ-শিংবা কয়া অদুগা লোয়ননা মপুং ফাবা মীয়াম্না পাম্নবা মীদিয়া-আর্টকী ওইবা খুলাস্থোক অমদা অয়েংবশিংবু পূক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনবনি। থৌদাং অসি ফিল্মনা অচৌবা ফিদম অমগী শক্লোন লৌদুনা ঙসি ফাওবদা লাক্লি। মরমদি ফিল্ম হায়বা অসিনা মীওইবগা মরী লৈনবা পুন্সিরোল, খুন্নাইরোল, নাৎ-শক্তম, নেচরেল হিষ্টোরি, জিওগ্রাফি, পোলিটিকেল, সাইন্সকী অঙকপা খুদোল অমদি ইনভাইরনমেন্ট হোংলক্লিবা মশক্কী লৈরিবা মীৎনা উবা ঙমদবা প্রোব্লেমশিং লোয়ননা ইন্নোভেটিভ ওইবা সোল্যুসন কয়া ভিজ্যুএলাইজ্দ ওইনা নৎত্রগা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং অমা ওইনা মাঙজৌননা ফিল্ম য়েংলিবশিংদা অনৌবা ৱাখলগী ময়োল চোংহনবা ঙম্লিবনি। অমরোমদা ফিল্ম হায়বা অসিনা ঐখোয়গী ৱাখল মীৎয়েং পাকথোক-চাউথোকহনবতা নত্তনা অপূনবা অমা শাগৎপগী চাউখৎপা মায়কৈদা হোইদুনা পুবসু ঙম্লিবনি।

মতাং অসি য়ৌরকপদদি ফিল্ম পুথোক্লিবশিং অমদি ফিল্মগী মরমদা থবক তৌরিবশিংনা দিভিজন/দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্লা হেন্না ৱাখল খনবা অমগী মথৌ তারকই। পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অদুনা অয়েংবশিংগী ৱাখলদা করি পোকহনবা য়াবগে। কয়া য়াম্না মখোয়বু নুংঙাইহনবা ঙম্বগে হায়বসি খনবা চঙই। ফিল্ম অমা হায়রগা মরম চাবা চাদবা থিদনা মীয়াম্বু হেক্তা নুংঙাইহন্নবনি হায়দুনা সেন্টিমেন্টতা অমদি ইমোসনদা পংনম নম্বা য়াদে। ফিল্ম অমা হায়বসি সোসাইটি অমদি নেসন অদুগী অফবা মায়কৈরোমদা লাক্লবা অচৌবা উপায় অমনি হায়বসি ঐখোয়না নীংশিংফম থোকই। মীয়াম্বু নুংঙাইনবা হোৎনবদা মচু-মমেন, অথুম-অয়াক, অখা-অশিন শুনা পংতোৎ তোৎশিন্নরগা পুথোক্লরকপা থেংনৈ। মদুনা অপূনবগী ওইনা য়েংবদা খুন্নাই নৎত্রগা নেসন অদুগী মীয়ামদা নেগেটিভ ইম্পেক্ট অমা পীখিবা তারবদি করি কান্নগনি। ফিল্ম হায়বসি আর্ট অমনি



হায়না লৌরবদি মদুগী ৱাহন্থোক অদু মাঙখিরোইদরা হায়বা ৱাফম অসোমদা নৈনবা চঙই। আর্ট হায়বসিমক্তবু মীয়ামগীনি, অহিংবা খুন্নাই অদুগীনি, তুংলমচৎকীনি। অচুম্বা, অফবা, ফজবা হায়বা অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা আর্ট হায়বসি তৌনরিবনি। মপানগী ফিল্মগী মরমদা থোইনা নৈনরুদনা ঐখোয়গী হৌজিক পুথোক্লরক্লিবা ফিল্মশিং অসিগী মশক্তা চাওরপ্পা য়েংবা মীৎয়েং অমদা য়েংবা তারবদি- মণিপুরী ফিল্মনা মীয়ামদা অনৌবা অফবা ৱাখল্লোন পীবা কয়া অমা থেংনৈ। মদুনা অয়েংবশিংদা পূক্লিং লৌশিং ওইবা, মহাক্কী চৎকদবা লম্বীগী মায়কৈ তাকপা, খুন্নাই অসিগী লমকেৎপা মশকশিংদগী থোইদোক্লা মহাক্লা মায়কৈ চিংবা ঙম্বা থৌনা কয়া অমসু পোকহল্লি। অমরোমদা অফবা কয়া লৈবগী মতিক নাতে-ৱায়োং চাদবা কয়া অমসু থেংনদবা নত্তে। ফূনা চৈনবদা কা হেঞ্জিনবা, ওইথোকপা য়াবা মওংদা নত্তবা মঙদ্রংদা শাগৎতুনা কিন অমুক থিনবদা মী পাইবা (সাউথ ফিল্মদা অমদি চাইনিজ ফিল্মদা তৌবগী মতৌগুম) উবা ফংলে। মদু য়েংবদা নুংঙাই হায়না লৌরবসু ৱাখল লৈতাদ্রিবশিংনা ফিল্মদা ফজরিবা মওং মতৌ অদুম্না চাংয়েং তৌনিংলকপা, গাড়ী বাইক (মোটোর সাইকল) থৌবদা অকিবগী মশক ওইবা য়েংবদদি ইরায় লায়না অদুগা মতৌ তম্বদদি শাথিনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কয়া ফিল্মদা য়াম্না তোয়না উরে। মসিনা অনৌবা হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা করি পোকহনবা য়াবগে হায়বা অসিমসু খন্নবা মতম য়ৌরে। মসিদা নত্তনা মীবু তাথি-তাওইবা, ৱা হায়বদা কা হেন্না দিস্ক্রিমিনেসন তৌবা কয়া অমসু থেংনৈ, নুংশি নুংওনদা হায়রবসু কা হেঞ্জিন্না উৎপা, চীংয়া-তময়াগী অচিক-অরাক্তা কোয়না চৎতুনা নুংশি ৱারী শানহনবা, য়েংবদবুদি ফজবা অদুগা মদুগী নুংদা চেল্লিবা ঈচেল অদুমদি কয়া পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইদবা কয়া অমসু ঐখোয়গী ফিল্মশিংদা মরাং কায়না য়াওবা থেংনরে। মসি মতৌ তমগনবা নহা ওইরিবশিংগী ৱাখলদা করি য়েন্নিং চোংহল্লকপা য়াবগে হায়বদুসু ঐখোয়না খন্নবা চুম্মী। ফিল্ম য়েংলিবশিংগী ঙাইহাক্কী ওইবা নুংঙাইবা ইথিল অমখক পীনবা মায়কৈদা ফিল্ম পুথোকপনা খুন্নাই অমদি মীয়ামদা তুংকোয়না করি করম্বা ইথিল অমা পীবা ঙমগদগে হায়বা ৱাখল্লোন অসি ফিল্ম পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবা চঙই খল্লি।

ফিল্মদা উৎলিবা থৌদোক-ৱাথোক, ফিজেৎ-লৈতেং, ৱাঙাং-শাঙাং, য়ুম্লৈ-কৈরৈ, পুন্সি-মহিং, শাজৎ-লীচৎ, ৱাখল-পূক্লিং পুম্নমকশিং অসি অহিংবা অরেংবা শক্তমশিংনা পরেং লেংদুনা পুথোকপা, অয়েংবশিংদা মথুম-মরাং হৌহনবা ঙম্বা এক্সন, ইমোসন, সেন্টিমেন্ট কয়া য়াওবনা মরম ওইদুনা ফিল্ম য়েংলিবশিংগী ৱাখলদা মমি চাউনা তাহনবা ঙম্মী। ফিল্ম অমা য়েংলুবা মতুংদা ফিল্মদুদা য়াওরিবা অফবা-ফত্তবা পুম্নমক্কী মমি থম্মোয়দা ময়েক শেংনা তাই। ফিল্মদা শীজিন্নবা ৱাহৈ-ৱাতা, ফিজেৎ-লৈতেং কয়াগী সেন্স ওফ ইমিটেসন অদু মীপুম খূদিংমক্তা লৈত্রবসু, ফেসন পামজবা মীওই কাঙলুপ খরদদি মদুগী ইম্পেক্ট অদু ময়েক শেংনা তাই। অদুনা অফবা-ফত্তবা খঙদনা মতৌ তম্নরকই। অফবদা মতৌ তম্বদি থোইদোক্লা কায়বা লৈতে। অতম্ননা হৌজিক পুথোক্লরক্লিবা ফিল্মশিং অমত্তবু অখন্নন পল্লুদ্রবসু অয়াম্বা ফিল্মবু য়েংগদৌরিবশিংগী ঙাইহাক্কী অপেনবা পীনবা হোৎনবনা চাং য়াম্না হেনবা উবা ফংই। অয়াম্বা ফিল্মশিংদা নুংশিবগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্ককশিংগী ফিজিকেল অমদি সেন্স্যুএল দেমোন্সত্রেসন ওইনা উৎপগুম তৌরে। মসিনা ইনখৎলকপদা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংগী মোরেল কেরেক্টরদা ইফেক্ট তৌহল্লি। তরং-মালং (ফেন্টেসি)গী ৱাখলদা দিরেক্টরনা শেমগৎপা সিন অদু অয়েংবশিংগী থম্মোয়দা হক্তুনা পামজনা তাখিবা মমি অদু অহিংবা পুন্সিরোলদা চাংয়েংনিংলক্লবদি মদু অৱাবগী মশক ওইফম থোকই। ৱাফম কয়াশিং অসি লৈবনা, মওং মরিল নাইদবা ফিল্ম অমনা নহা ওইরিবশিংদা ক্রাইম কয়া তৌরক্লবগী ইথিল ফাওবা পীবা ঙম্মী। অদুনা হায়নরিবনি- *এ গুদ ফিল্ম ইজ হায়র দেন এনি এদ্যুকেসন এন্দ এ বেদ ফিল্ম ইজ মোর ইঞ্জুরিয়স দেন পোইজন।*

*...মখা মথং নোংমাইজিংদা*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ২৫। ১২। ২০২২ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৮.২৫ ফাওবা ৱাকচিংগী নিনি পাল্লি, মতুংদি ৩নি পাল্লনি।**

মেষ: নচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং ৱাবা অমদি অনম তান্না থৌপাঙবদা শক-চু থোক্তবা লৈরসু নীংবদি থুংলনি, মরুপ মপাং লোয়নবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: খোয়রাং খোয়শাওবা অমদি নথক থোংবগা য়েংনবা মরম খরদি থেংনগনি অদুবু থবক থৌওং খঙবা, নচাক নরল চাওখৎপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: নুংঙাইবা পাউ তাগনি, থাজদনা ওইথক-ওইথকসু য়াম্না ফংজগনি, অরাপ্পগী মরুপ্পা হেন্না চানবীগনি। য়েৎনবা/চরাংনবনদি মাঙজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: লাইবক থোইনা ফবা, মীচঙ য়াম্বা, অনৌবা থাজদনা ফবা লৌশিং তানশিনবা য়াবা লৈ। শকখঙদবনা থবক্তা খুৎ থিংজিল্লকপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: মীচঙ ৱাৎলোই, নীংবসু থুংগনি, মীয়ামগী মতেংনা মীকোক থোংনা থৌ পাঙগনি। পোরম শীনবা হৈয়ু নত্রদি ফংবা য়াবা খরদি পনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কন্যা: অফা-অপুন্নবা, য়েৎনবা অমদি য়েক্লবনা য়েংশিনবা খরদি হান্নগুম লৈ। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজবা, অফবা লৌশিং ফংবসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লান্দ্রদি মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: মীয়াম পুনবা পাম্বা অমদি নুংঙাইজবা নুমিৎনি। মহু চাওবনদি তাথিবা, মীগী মতেং লৌদ্ররদি অথোইবা লৌশিং ফুদোকপদি ৱাবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙবনা হেনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃশ্চিক: থবক্কী লমদা নচাক নরলদা তায়নদনবা ঙাইঙমদবা তৌখিনু। মীয়াম্নবুদি চাল্লি-খুদোংচাবা মাঙহনগনু, লাই-গুরুনসু থৌজালবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী য়াম্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: থবক্কী লমদসু ঈকাই নুংশি য়ান্নবা, থিবা হুম্বা কন্দ্রদি য়েংথিনবা মায়োক্লনি। নচা-ননাই চাওখৎপা, থৌনা লৈবনা কান্নবা খরবুদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মকর: ৱাখল নুংঙাইজবা, শেন্দোং য়াম্না লৈবা, নীংবদুমক পাঙবা য়াবা নুমিৎনি। নচাক নরলদি চেকশিল্লু, মরুপকা ৱাখল তান্নবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবা পামগনু-ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: লম খুদিংদা নীংবা থুংগনি। অনৌবা থবক পাঙবা হৌবসু য়াগনি-মীকোক থোংগনি। নথক থোংবনা য়াই, চিংনগনু মীয়াম্না ফনা শোন্নে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: শেল থুমগী থবক, অফবা মফম কনবগী লম অমদি পাংঙমদবা থবক পাঙবগী লমদা চাওনা মায় পাক্কনি। মাঙলোমদা চঙশিনবা য়ারগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- আশা চাওবগীসু কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।**

## চয়োল ৪ চুপ্না চত্থরকখিবা এগেনষ্ট জেন্দর বেজ ভাইওলেন্স কেম্পেন লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদস মিসন (এম এস আর এল এম), ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট (বি এম এম য়ু) জিরিবাম ব্লোক্তা শীন্দুনা নুপীশিংতগী ওইবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ১২৭ অমদি ভিলেজ লেভেল ফেদরেসন ১১না জিরিবাম ব্লোক্কী গ্রাম পঞ্চায়ট অহুম্না কোল্লিবা ভিলেজ ৩৭তা পাক্তক্লনা চয়োল মরি চুপ্না এগেনষ্ট জেন্দর বেজ ভাইওলেন্সকী কেম্পেনগী অরোইবা নুমীৎতা কেন্দল লাইট ৱার্ক (মৈরা রেল্লি) চৎতুনা পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেন এগেনষ্ট জেন্দর বেজ ভাইওলেন্স অসিদা মরুওইনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম থৌরমশিং অদুদি লাইন দিপার্টমেন্ট অমা ওইরিবা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নরগা ৱিমেন হেল্প লাইন ১৮১, ৱান ষ্টোপ সেন্টরগী মতাংদা নুপী ওইবীশিংদা এৱেয়র্নেস পীবা; জেন্দর বেজ নুপা-নুপী খায়দবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱাশকমিন্নবা; দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম মুবিজ য়েংবা; সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং; ভি এল এফশিংনা রঙ্গোলি য়েকপা; পোষ্টর কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা পোষ্টর ৩০০গী কোপীশিং তোঙান তোঙানবা পিকচরদা য়ুম্ফম ওইরগা থেৎপা অমদি নুমীদাংগী মতমদা মৈরাগী রেল্লি চৎপা অসিনচিংবনি।

জিরিবামদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্লা মরুওইনা নুপী ওইবী ইমা-ইবেল, ইচল-ইচেশিংগী এস ঐচ জি/ভি এল এফশিংনা অহিং-নুংথিল খাক্তনা শরুক য়াদুনা চয়োল মরি চুপ্না চত্থরকপা কেম্পেন এগেনষ্ট জেন্দর বেজ মায় পাক্লা পাঙথোকপসিদা বি এম এম য়ু জিরিবাম ব্লোক এম এস আর এল এমনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি অমদি লাক্কদৌরিবা অনৌবা চহী ২০২৩না লাকপদা জিরিবামগী মীপুম খূদিংদা মরুওইনা নুপী ওইবীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়রি।

## পাখংবা হীরোল থাবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস):
ঙসি ৱাকচিংগী নোংমা পানবা চৈচৎ দিসেম্বর ২৪, থাংজ নুমীৎকী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা সনা কোনুংনা ইবুধৌ-ইবেনধৌগী লাইমাঙদা পাখংবা হীরোল থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী পব্লিসিটি লাইশ্রম পোইরৈতোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, পাখংবা হীরোল থাবা হায়রিবা থবক অসি ইবুধৌ পাখংবনা মপল পন্থৌবু মশক খঙজদুনা ৱাকচিংগী নোংমা পানবদা থৌরম পাঙথোকচখিবা অদুবু নীংশিংজদুনা সনা কোনুংনা লীশাং শিংনা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। ঙসি পাঙথোকখিবা পাখংবা হীরোল থাবা থৌরমগী লাইথৌ থৌরম অদুদা সনা কোনুংগী ফম্নাইবশিং, মাইচৌ, মাইবা, পেনা অশৈবা, অমাইবীশিংনা শরুক য়াখি। সনা কোনুংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মনুং চন্না নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তুইবোংদা লম্বীগী লাইবক থীবা থৌদোক অমদা য়াইরিপোক্তা লৈবা থম্বালনু হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ষ্টদি টুরদা লৈখিদ্রবশিং অদুগীদমক অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈহনবীনবা অমদি মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকসি অমুক হন্না থোকপীদনবা থৌনিজখি হায়রি।



Title : Scenery
By : Albira
Class : IV Sec : Rose Roll No. : 63
School : SL Arena of Learning



Title : Cats and Rabbit Hugging
By : Henthoibi Senjam
Class : II Roll No. : 15
School : Keishamthong High School



Title :
By : Jacob Simte
Class : III Sec : Jasmine Roll No. : 6
School : SL Arena of Learning



Title : Chainsawman
By : Kangjamcha Korounganba Khuman
Class : VI Sec : Garnet Roll : 12
School : Heritage Convent



Title : Animal Carrying Load
By : Koijam Chingkheinganbi Chanu
Class : IV Sec : A Roll No. : 3
School : North Eastern English School



Title : Dragon
By : L. Lamnganbi Devi
Class : III Sec : B Roll No. : 55
School : Christ Jyoti School, Mantripukhri




Title : Shivaji Maharaj
By : Ningthoujam Monish Singh
Class : IV-A Roll : 3
School : Kendriya Vidyalaya No. 1




Title : Morning Walk
By : Sahadat Afzal
Class : IV Roll : 8
School : Madina High School, Khelakhong



Title : Iron Man
By : Tarun Soram
Class : V Roll No. : 37
School : Maheilen Education Centre



Title : Sukuna
By : L. Lamnganba
Class : IV Roll No. : 4
School : Maheilen



Title : Scenery
By : Sarangthem Lanchenbi
Class : V Sec : E Roll No. : 45
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : A Bird
By : Victory
Class : III/A Roll No. : 20
School : S.R.H.S. School



Title : Christmas Tree
By : Khangenbam Sinhenbi Chanu
Class : K.G. Roll No. : 12
School : Kangleipak Modern School



Title : Christmas Tree
By : Takhellambam Jasmine Devi
Class : K.G. Roll : 13
School : Kangleipak Modern School



Title : A House
By : Wangkhem Iris Devi
Class: K.G. Roll No. : 8
School : Kangleipak Modern School



Title : A Duck
By : Chabungbam Helena Chanu
Class : K.G. Roll No. : 19
School : Kangleipak Modern School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।